**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 24-02-2026)**

**খেমচান্দ (এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দ অমসুং উপ মুখ্য মন্ত্রি অনি-লোশি দিখো অমসুং নেমচা কিপগেননা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিদা মনিপুরদা লাকপীনবা বার্ত্তন তৌখ্রে।

ন্যু দিল্লিগী সেবা তির্থদা লৈবা প্রধান মন্ত্রিগী ওফিসতা ঙসি মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দ অমসুং উপ মুখ্য মন্ত্রি অনিনা পুন্না প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিগা উন্নবদা মনিপুরদা লাকপীনবা বার্ত্তন তৌখিবনি। উন্নবা অদুদা মুখ্য মন্ত্রিগী মায়কৈদগী অনৌবা সরকার অসিনা মনিপুরদা শান্তি অমসুং নুংশি চান্নবা হনজিল্লকবা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা প্রধান মন্ত্রিদা মরিক চুমা পাউদমখি। মনিপুরগী চীং অমসুং তম্পাক্তা লৈরিবা নুপীশিংদা অখন্নবা মীৎয়েং থমদ্না নুপীশিংবু হেন্না শক্তি পীননবা দরকার লৈবা থবকশিং পায়খৎপীনবসু মুখ্য মন্ত্রিনা তকশিনখি।

**অজয়(এল)ঃ** রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভালানা ঙসি, লৈখিদ্রবা এম.এল.এ. বুংজাগীন বালতেগী চুরাচান্দপুরদা লৈবা ময়ুমদা চৎতুনা মহাক্কী থৱায় য়াওদ্রবা হকচাংদা ইকায় খুমবা উৎখ্রে।

রাজ্যপালনা লৈখিদ্রবা লুচিংবা অসিগী মফমদা নাৎকী ওইবা ফি অমসুং লৈ কৎতুনা ইকায় খুমবা উৎখি। শ্রী ভালানা অৱাবা নংলবা ইমুং মনুংগী মীওইশিংগসু উন্নদুনা অৱাবা ফোংদোকপগা লোয়ননা এম.এল.এ. অসিনা লৈখিদবদা ইমুং মনুং অমসুং মীয়ামগী থম্মোয়দা অৱাবা কয়া লৈরিবা অদুদা মহাক্কী মায়কৈদগীসু থম্মোয় শেংনা শরুক য়ারি হায়না ফোংদোকখি।

**এময়ু (এল)ঃ** এস.পি.এস.এস শিজিন্নদুনা রিসর্চ মেথোদোলোজি, রিসর্চ ইথিক্স এন্দ হেন্দস ওন ত্রেন্নিং ওন দাটা এনালাইষ্টি হায়বসিগী মতাংদা নুমিৎ মঙানি চথুগদবা জাতি থাক্কী ৱার্কশোপ অমা ঙসিদগী দিপার্টমেন্ট ওফ ইনভাইরোনমেন্টেল সাইন্স-মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী সেমিনার হোলদা হৌখ্রে।

দিপার্টমেন্ট ওফ ইনভাইরোনমেন্টেল সাইন্স-মনিপুর য়ুনিভরসিতিনা শিনবা থৌরম অদুদা মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী স্কুল ওফ হ্যুমেন এন্দ ইনভাইরোনমেন্টেল সাইন্সেসকী দিন-প্রোফেসার-এস. জিবোনকুমার, তেজপুর য়ুনিভরসিতিগী ইনভরোইরোনমেন্টেল সাইন্স দিপার্টমেন্টকী হেদ ওফ দিপার্টমেন্ট-প্রোফেসার-কাশি মুরুমুতু, মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী ইনভাইরোনমেন্টও সাইন্স দিপার্টমেন্টকী ফেক্লতি-ডা: কোন্থৌজম খেলচন্দ্র অমসুং য়ুনিভরসিতি অসিগী ইন্টরনেল ক্বালিতি এসুরেন্স সেলগী দাইরেক্তর-প্রোফেসার-এ. রাজমণি শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা ৱার্কশোপ অসিগী কনভেন্নর-ডা: কোন্থৌজম খেলচন্দ্রনা হায়-ৱার্কশোপ অসি হীরম অহুমদা মীৎয়েং চংলগা পাঙথোকপনি। মহাকা হায়-রিছার্স স্কোলারশিংনা মখোয়গী রিছার্সকী থবক থৌরমশিং পাঙথোকপদা মদুদা লৈরিবা অহোবশিং করমা মেনশিনগদগে হায়বদু তাকপী তন্বীনবনি। শ্রী খেলচন্দ্রনা হায়-ৱার্কশোপ অসিদা তোঙান তোঙানবা য়ুনিভরসিতিগী লাকপা মহৈরোই ৫০ হেনবনা শরুক য়ারি। মসিদা রিছোর্স পাসন ৮ না মখোয়বু দাটা এনালাইষ্টিকী মরমদা তাকপী তন্বীগনি।

**ৱার্কশোপ (এল)ঃ** অরুবা লায়নাশিং লায়েংবদা হোমিওপেথি হায়বা হীরমদা নোংমগী ওইবা ৱার্কশোপ অমা ঙসি ইম্ফাল ইষ্টকী পেলেস কম্পাউন্দা লৈবা হোমিওপেথিক মেদিকেল এসোসিয়েসন ওফ ইন্দিয়া মনিপুর ষ্টেট ব্রান্সকী ওফিসতা পাঙথোখ্রে।

খোঙনাংথাবা য়ুনিভরসিতিনা শিনদুনা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা

য়ুনিভরসিতি অসিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর-প্রোফেসার এন. জয়কুমার অমসুং য়ুনিভরসিতি অসিগী চেয়ারমেন-ডা: কে.ঐচ. জয়েন্ত শরুক য়াখি।

**এমএলএ(এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দগী লমজিং মখাদা ঙসি নুংথিল এম.এল.এশিং-খোংবান্তাবম ইবোমচা অমসুং এস. কুঞ্জকেশ্বরনা কেন্দ্রগী রোড ত্রান্সপোর্ট এন্দ হায়ৱেজ মন্ত্রি-নিতিন গদকারিগা ন্যু দিল্লিদা উন্নদুনা ৱারী শান্নখ্রে।

উন্নবা অদুদা এম.এল.এ. অনিগী মায়কৈদগী মনিপুরগী লম্বী থোংগী ফিভম ফগৎহন্নবা হোৎনবদা মতেং পাংবীনবা ৱাফমশিং তকশিনখি। শ্রী গদকারিনসু মনিপুরগী লম্বী থোংগী ফিভম ফগৎহন্নবা হোৎনবদা মহাক্কী মায়কৈদগী পাংবা য়াবা মতেংশিং পাংগনি হায়না থাজবা পীরকখি হায়রি।

**এময়ু (এল)ঃ** ৱাটর সেক্যুরিতিগীদমক পাৎ অমসুং তুরেল হায়বসিদা খন্ন-নৈনবগী থৌরম অমা ঙসি মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী আর্ট সাইন্সেস দিপার্টমেন্টতা পাঙথোকখ্রে।

ইন্দিয়ান নেসনেল ত্রষ্ট ফোর আর্ট এন্দ কলচরেল হেরিটেজ (ইনতাক), অপুনবা ইমাগী মচাশিং (এইমস) মনিপুর অমসুং দিপার্টমেন্ট ওফ আর্ট সাইন্সেস মনিপুরনা শিনবা থৌরম অদুদা ঈশিং য়োকশিনবা, ৱেদলেন্দ অমসুং তুরেলশিং মহৌশাগী খল কায়হন্দনা থম্বা য়াওনা হীরম কয়াদা খন্নখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা কেন্দ্রগী হান্নগী মপান থৌরম রাজ্য মন্ত্রি-ডা: আর.কে.রঞ্জননা হায়-মনিপুরদা কুম অমদা মিলিমিটর লিশিং ১,২০০ দগী মিলিমিটর লিশিং ১,৫০০ ফাওবা নোং তারি। অদুবু, তারিবা নোং অসিনা হৌজিক্কী ওইরক্লিবা অইং আশাগী অওনবা লাক্লিবা অমদি চাউখৎ থৌরাংগী থবক থৌরমশিং য়েংলগা ৱাটর সেক্যুরিতি লৈরিব্রা হায়বসি হংবা য়াবা ৱাহংনি। মহাকা হায়-ইং ১৯৭১ গী অদুৱাইদা মনিপুরগী অপুনবা মীশিং অসি লাখ ১০

রোম ওইরম্বদগী হৌজিক্তি শিংথানিংঙাই ওইনা হেনগৎলক্লে। অদুবু, ৱার্ল্ড হেলথ ওর্গনাইজেসনগী মতুং ইন্না মীওই অমমদা নোংমদা ঈশিং কয়া য়ামা তঙাইফদবগে হায়বসি খঙদোকপা চংই।

থৌরম অদুদা সি.এস.আই.আর, এন.ই.আই.এস.টি. মনিপুরগী প্রিন্সিপাল চীফ সাইন্টিষ্ট প্রোফেসার-হুইদ্রোম বিরকুমার, মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী আর্ট সাইন্স দিপার্টমেন্টকী ফেকলতি ডা: য়ুমখাইবম রাজেস, খোঙনাংথাবা য়ুনিভরসিতিগী ফেকলতি ডা: অতোম সুনিল সিংহনচিংবা শরুক য়াখি।

**ইমো (এল)ঃ** ইম্ফালগী থিঙোম লৈকাইদা নৌনা শাবা য়ুথ ৱেলফিয়ার ক্লবকী শঙলেন ঙসি এম.এল.এ. আর.কে. ইমোনা শঙ্গাখ্রে।

থৌরমদুদা ৱা ঙাংবদা শ্রী ইমোনা হায়-চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিং অসি সরকারগী শেন্থং মখাদা পায়খৎকদবনি। শগোলবন্দ কেন্দ্রগী মনুংদা চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিং থোং মান্ননা পায়খৎলি হায়নসু মহাকা ফোংদোকখি।

**ফয়ার (এল)ঃ** বেসিক ফয়ার এন্দ সেফতি হায়বা হীরমদা নোংমগী ওইবা ত্রেন্নিং প্রোগ্রাম অমা ঙসি থৌবালগী ফয়ার সব ষ্টেসনদা পাঙথোকখ্রে।

মনিপুর ফয়ার সার্ভিস দিপার্টমেন্টনা শিনদুনা পাঙথোকখিবা ত্রেন্নিং প্রোগ্রাম অদুদা থৌবাল জিলাগী স্কুল, কলেজশিংগী টিচিং অমদি নোন-টিচিং ষ্টাফশিং, থৌবাল অমসুং ককচিংগী ফয়ার সব ষ্টেসনগী ওফিসিএল অমদি ষ্টাফশিংসু শরুক য়াখি।

**মাওইষ্টঃ** মাওইষ্টকী পোলিত ব্যুরো মেম্বর-দেবুজি অমসুং সেন্ত্রেল কমিতিগী মেম্বর-মাল্লা রাজি রেদ্দি য়াওনা মাওইষ্টকী মরুওইবা লুচিংবা মরি ঙসি তেলঙ্গানাগী দি.জি.পি. শিভাদার রেদ্দিদা চংজখ্রে।

হায়দ্রবাদতা ঙসি পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা দি.জি.পি. রেদ্দিনা হায়-

মাওইষ্টকী লুচিংবশিং অদু মুখ্য মন্ত্রি-রেবান্ত রেদিনা মহৌশাগী ঈচেল হল্লকবা আপিল তৌখ্রবা মতুংদা সরকারদা চংজরকপনি। মখোয় মরিনা চংজরকপা অসিনা মাওইষ্টশিংগী থবক থৌরমদা চাউনা অপনবা থোক্লগনি। মহাকা হায়-সরকারগী মায়কৈদগী পায়খৎলিবা চাউখৎ থৌরাংশিং উরগা মীকপ থোরকপদগী মাওইষ্টশিংনা সরেন্দর তৌবগী চাং হেনগৎলক্লি। চংজরকখ্রবা মাওইষ্টকী লুচিংবশিং অদুদা মনা ওইনা লুপা লাখ ৯০ পীরগনি। মসিগী মথক্তা মখোয়বু খুন দা লৈতাহন্নবা অমসুং শেন্থোক লন্বী লৈহন্নবা তেংবাং কয়াসু পীগদৌরি। মখোয় মরিদা দি.জি.পিনা ঙসি লুপা লাখ ২৫-২৫ গী চেক অমমমসু খুৎশিন্নখি।

**কোর্ট ঃ** ইন্দিয়া এ.আই. ইমপেক্ট সমিটতা খোঙজং চংশিনখিবগা মরী লৈননা ইন্দিয়ান য়ুথ কংগ্রেসকী প্রসিদেন্ট-উদোয় ভানু চীব, নুমিৎ মরিনি পুলিস কষ্টদিদা লৈনবা দিল্লিগী কোর্ট অমনা খঙহনখ্রে।

এ.আই. সমিট পাঙথোক্লিকৈঙদা খোঙজং চংশিনখিবা অদুগী মতাংদা পুলিসনা মহাকপু নুমিৎ মরিনি চুপা মচিন হংন্ননবা জ্দিসিএল মেজিষ্ট্রেট-রবিনা অয়াবা পীখি। হৌখিবা ইরাই নুমিৎতা প্লিসনা য়ুথ কংগ্রেসকী নেসনেল সেক্রেটরি-কৃষ্ণহরি বিহারদগী ফাখি। বিহারগী য়ুথ কংগ্রেসকী সেক্রেটরি-কুন্দন যাদব, উত্তর প্রদেসকী ষ্টেট প্রসিদেন্ট-অজয় কুমার অমসুং তেলঙ্গানাদগী নরাসিমহা যাদব কৌবা মীওই অমসু থৌদোক অদুগা মরী লৈননা ফাগৎখি। সমিট অদু পাঙথোক্লিকৈঙে মনুংদা য়ুথ কংগ্রেসকী লুচিংবশিং অদুনা ইগজিবিসন হোলদা ফুরিৎ লৌথোক্তুনা খোঙজং চংশিনখিবনি।

**মীফমঃ** চীফ ইলেক্সন কম্মিস্নার-গ্যানেস কুমারনা হায়রি-অরান অহুই য়াওদবা ইলেক্তোরেল রোলনা লৈবাক অসিদা গনতন্ত্রগী খ্বাইদগী মরুওইবা য়ুম্ফম ওইরি।

ন্যু দিল্লিগী ভারত মন্দপমদা ঙসি পাঙথোকপা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্

দয়া অমসুং রাজ্যগী ইলেক্সন কম্মিস্নারশিংগী নেসনেল রাউন্দ টেবল কনফরেন্সতা ৱা ঙাংবদা শ্রী গ্যানেস কুমারনা হায়-স্পিসিএল ইনটেন্সিব রিভিজন (এস.আই.আর) অসি লৈবাক অসিদা লৈরিবা ভোট থাদবা য়ারবা মীপুম খুদিংমক ইলেক্টোরেল রোলদা য়াওহন্নবা অদুগা ভোট থাদবা য়াদবশিং ইলেক্টোরেল রোলদগী লৌথোকবা পায়খৎপা অখন্নবা খোঙথাং অমনি।

মহাকা হায়-অহানবা ওইনা এস.আই.আর. বিহারদা অশোয় অঙাম য়াওদনা লোয়শিনখ্রে। হৌজিক রাজ্য ১২ দা এস.আই.আরগী থবক চথুরি। মসিগী মনুংদা রাজ্য ১১ দা ইলেক্টোরেল রোল ফোংখ্রে।

**কৃষ্ণঃ** উপ রাস্ত্রপতি-সি.পি. রাধাকৃষ্ণননা ঙসি ন্যু দিল্লিদা টুরিজম লিদরসিপ সমিট ২০২৬ হৌদোকখ্রে। মীফম অসি য়ু.এস-ইন্দিয়া ষ্টেটেজিক পার্টনরসিপ ফোরমনা শিনবনি।

মীফম অদু হৌদোল্লদুনা শ্রী রাধাকৃষ্ণননা হায়-টুরিজম হায়বসি মীয়ামদা থবক পীবগী চাং খ্বাইদগী ৱাংবা সেক্তর অমনি। সেক্তর অসিবু চাউখৎহন্নবা স্কিলস, ওন্টরপ্রেন্যুয়রসিপ অমসুং নুপীশিংনা লুচিংবা ওন্টরপ্রাইজশিংদা শেনফম থাদদুনা চাউখৎহন্নবা হোৎনবা তঙাইফদে। মহাকা হায়-ভারতনা টুরিজম ভিজন ২০২৯ হৌদোক্তুনা রাজ্য খুদিংমক্তা মালেমগী থাক্তা চাউখৎলবা লম কোইফমশিং শেমগৎনবা হোৎনরি হায়নসু শ্রী রাধকৃষ্ণননা ফোংদোকেখি।

**রাস্ত্রপতিঃ** রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমু নুমিৎ নিনিগী মহারাস্ত্রা খোঙচৎতা ঙসি নুমিৎযুংবা মতুংদা মুম্বাইদা থুংখ্রে। মহাকপু রাজ্যপাল-অচ্যারিয়া দেবব্রাতনা মুম্বাইগী সাত্রপতি শিবাজি মহারাজ ইন্টরনেসনেল ইয়ারপোর্টতা হরাউ তয়ামা ওকখি।

তরামা ওকপগী থৌরম অদুদা মহারাস্ত্রগী মুখ্য মন্ত্রি-দেবেন্দ্র ফরনাবিস, উপ মুখ্য মন্ত্রিশিং-একনাথ সিন্ধে অমসুং সুনেত্রা অজিৎ পৱার অমদি মন্ত্রি

কয়ামরুম য়াওখি। মহাকা মফম অদুদা হেক থুংবগা লোক ভবনদা চৎতুনা পি.দি. হিন্দুজা হোস্পিতালনা শিনবা লৈবাক শিনবা থুংবদা পাঙথোকপা থৌরম- 'সেভিং লাইফস এন্দ বিল্ডিং এ হেলদিয়ার ভারত' কেম্পেইন হৌদোকখি।

**কনাদাঃ** কনাদাগী প্রধান মন্ত্রি মার্ক কারনে থা অসিগী ২৬ তা ভারত্তা লাক্কনি। মহাকা নুমিৎ তরানি চুপা মথং থাগী ৭ ফাওবা লৈবাক অসিদা লৈগনি।

কনাদাগী প্রাইম মিনিষ্টর ওফিসকী পাউ অমনা হায়-কারনেনা মহাক্কী ভারত খোঙচৎ অসিদা মুম্বাইদা লল্লোন ইতিক্কী লুচিংবশিংগা হান্না উন্নগনি।

তুংদা, নিউ দেল্লিদা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগা মার্চকী ২ দা উন্নগনি। লুচিংবা অনিনা ক্লিন ইনর্জি, আর্টিফিসিয়েল ইন্তল্লিজেন্স, দিফেন্স অমসুং টেকে ালোজিগী লমশিংদা তেংবাং পীনবদা মরুওইবা মীৎয়েং থমদুনা ৱাফম কয়া খন্নগনি। মহাক্কী খোঙচৎ অসিগী মরুওইবা পান্দমদি 'কম্প্রিহেনশিপ ইকোনোমিক পার্টনরশিপ এগ্রিমেন্টকী মতাংদা লৈবাক অনিগী মরক্তা অথুবা মতমদা য়ানবা পুরকবা' হোৎনবনি।

**পোলোঃ** মনিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিয়েসননা শিন্দুনা চথরিবা ৩১ শুবা গভরনস কপ ৱিমেন্সকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা-চীংখৈহুনবা পোলো ক্লব-কোংপালনা ইম্ফাল রাইদিং ক্লব-লমফেলবু পাঞ্জল ৬-৩ দা থোইখ্রে।

এসোসিয়েসন অসিগী মীৎয়েং মখাদা চথরিবা নুপাগী ৩২ শুবা গভনরনস কপ ইনভাইটেসনগী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা অসাম রাইফলস পোলো টিমনা মনিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব টিম (বি) বু পাঞ্জল ১২-৪ দা অমদি চীংখৈহুনবা পোলো ক্লব-কোংপালনা মনিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব টিম (এ) বু পাঞ্জল ৪-৩ দা থোইখি।

**ফুটবোল ঃ** ১৮ শুবা মনিপর্ ষ্টেট লিগ ২০২৫-২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা

-য়ুথ ওর্গনাইজেসন স্পোর্টিং ক্লব-নম্বুল মপাল এঠলেটিক এন্দ কলচরেল ওর্গনাইজেসন (নাকো) বু পাঞ্জল ৩-২ দা থোইখ্রে। ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচশিংদা-রাহি য়ু.সিনা নোর্থ ইষ্টর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়নবু পাঞ্জল ২-০ দা অমদি এফ.সি. রেংদাইনা এলবেন স্তার স্পোর্টিং য়ুনিয়ন-অকাম্পাৎপু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখি।

**অরাম্বাই ঃ** ওল মনিপুর অরাম্বাই এসোসিয়েসন (আমা) না শিনদুনা অহানবা মেন্স এন্দ ৱিমেন্স ষ্টেট লেবেল অরাম্বাই টুর্নামেন্ট ২০২৬ ঙসিদগী ইম্ফালগী নেসু গ্রাউন্দদা হৌখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা নুপাগী টার্গেট কম্পিটিসনদা টি.ঐচ. কাউবনা পোইন্ট তরুক ফংদুনা অহানবা তাখি। নুপাগী দিসটেন্স কম্পিটিসন (ফোরৱার্ড থ্রো) অ দর নেক অমসুং ব্লেক ৱার্ড থ্রোদা-টি. ওসান্তানা অহানবা অমসুং নুপীগী দিসটেন্স থ্রো কম্পিটিসনদা-থৌদাম তানানা অহানবা তাখি।

**ফ্টবোল ঃ** গোর্ল্ডন এফ.সি. অমদি ডব্লিয়ু.দি.ৱাই.সি, লমদেং খুনৌদা চত্থরিবা অহানবা ষ্টেট লেবেল ফুটবোল তুরনামেন্টকী ক্বাটর ফাইনেল চংখ্রে। ঙসি শান্নখিবা মেটচতা-গোর্ল্ডন এফ.সিনা সলাম অপুনবা এফ.সিবু পাঞ্জল ৪-১ দা অমদি ডব্লিয়ু.দি.ৱাই.সিনা মোরে এফ.সিবু পাঞ্জল ৪-৩ দা থোইদুনা ক্বাটর ফাইনেল চংখিবনি।

**ফুটবোল ঃ** জোন এফ.সি. অমসুং বি.ৱাই.এফ.আই. অনিশুবা য়াইরিপোক ট্রোফি ২০২৬ কী সেমি ফাইনেল চংখ্রে।

টিম ১৭ না শরুক য়াদুনা চত্থরিবা ট্রোফি অসিগী ঙসি শান্নখিবা ক্বাটর ফাইনেল মেটচশিংদা জোন এফ.সি. অচানফিগৈনা মাস্তর এফ.এ. য়াইরিপোক তোপপু পাঞ্জল ৩-২ দা অমদি বি.ৱাই.এফ.ৱাই. টিম (এ) না এন.জি.এল.

লৌরেম্বমবু পাঞ্জল ৫-১ দা থোইদুনা সেমি ফাইনেল চংখিবনি।

**ফুটবোল ঃ** তকৱা ৱিমেন্স কপ ২০২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা-ইর্ষ্টন স্পোর্টিং য়ুনিয়ন ইম্ফাল মায় পাক্তুনা সেমি ফাইনেল চংখ্রে। ঙসি শান্নখিবা মেটচতা-ইর্ষ্টন স্পোর্টিং য়ুনিয়ন ইম্ফালনা আই.সি.এস.এ. ইরেংবমবু পাঞ্জল ৬-০ দা থোইখি।

**ক্রিকেট ঃ** টি.ক্যু.সি. ত্রোফি ২০২৬ কী ফাইনেলদা ফেসন কুইন থৌবাল অমসুং এম.কে.এস. চীংমৈরোং শান্নরগনি। তেন্থাগী টি.ক্যু.সি. গ্রাউন্দদা চথরিবা অহুমশুবা টি.ক্যুসি. ত্রোফি-২০২৬, লেট ইরুংবম বিরলাল মেমোরিএল ষ্টেট লেবেল ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচতা এম.কে.এস. চীংমৈরোংনা কে.সি.এ. খাঙবোকপু রন-১২৯ থোইখি।

অনিশুবা সেমি ফাইনেল মেটচতা এম.য়ু.সি. (টু) কাঞ্চিপুরগী টিম লাকতবদগী ফেসন কুইন থৌবালনা ৱাক ওভর ফংদুনা ফাইনেল চংখিবনি। ফাইনেল মেটচ থা অসিগী ২৭ শান্নগনি।

**ক্রিকেট ঃ** ১০ শুবা এম.এন.সি.এ. ডব্লিয়ু. প্রহ্লাদা অমদি ডব্লিয়ু. রামানন্দা ইলিট ত্রোফি ২০২৫-২৬ কী ঙসি লাইরেঞ্জম পব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতা-রেজ খ্বাই নাগামপাল লামাবম লৈকাইনা ক্রাউ-খমনাম বজারবু রন-১০৮ দা থোইখ্রে।

থৌবাল জিলাগী মোইজিং পব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচ অমদনা-মোদেল শিংজমৈ চিংঙামখানা আর.সি.এ. লিলোংবু রন-৪৬ তা থোইখি।

**ক্রিকেট ঃ** ১৩ শুবা টি-টোইন্তি মনিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০২৬ কী

ঙসি লংথাবাল পব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতা ৱাই.ডব্লিয়ু.সি. লংথাবালনা এন.সি.এ. নম্বোলবু রন-৪০ দা থোইখ্রে।